**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি মণিপুরদা লুপা কোতি ১,৩৮৭ গী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

২) শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- লৈবাক অসিবু মালেমদা শক তাকপদা মণিপুরগী মীয়ামা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

৩) মণিপুরদা হয়েং ৮৬ শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু শরুক য়াগনি।

৪) ১৮ শুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে।

অমসুং

৫) ভারতকী ওইনা পেত্রোলদা ইথানোল চাং চাদা ২০ য়ানশিন্দুনা কার্বোনদাই ওক্সাইদ পুথোকপগী চাং মেত্রিক টন লাখ ৭৩৬ তা হন্থরে হায়না কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা ঙসি লোক সভাদা ফোংদোকখ্রে।

------

মুরমু (এল)ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি লুপা কোতি লিশিং ১,১৮০ গী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমখ্রে, লুপা কোতি ২০৭ গী প্রোজেক্টশিংনা শঙ্গাখ্রে।

রাষ্ট্রপতিনা ঙসি শঙ্গারম্বা অমদি উরেপ উয়ুং তমখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা লৌউ শিংউ, ৱাটর সপ্লাই,স্পোর্টস, ইজ্কেসন, ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট, হেলথ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, হেন্দলুম হেন্দিক্রাফট, ইলেক্ট্রিসিতি, সেক্যুরিতি এন্দ এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্তর য়াওরি।

রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎকী অহানবা নুমিৎতা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকপা রাষ্ট্রপতিবু মীয়ামা তরাকা ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা নাৎ, চৎনবী, ফিজেৎ চাকচাদা খেন্নবা কয়ামরুম লৈবা মীওইশিংনা খুন্দাবা লমদম অমনি। লমদম অসিগী মীওইশিংনা লৈবাক অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়া মরুওইনা আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টস, আর্মদ ফোর্সেস অমসুং পাব্লিক সেক্তরশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিনহনবতা নত্তনা লমদম অসিদা থবক ফংবগী চাং হেনগৎহনবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবা অমসুং রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি।

রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি খরা অসিদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- রাজ্য অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপা হায়বসিনা সরকার অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিবু মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহন্দুনা ইং তপ্পা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- মণিপুর, নাৎ-চৎনবী অমদি তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমীশিংনা খুন্দাবা ইনাক খুল্লবা রাজ্য অমনি। রাষ্ট্রপতিগী মণিপুর খোঙচৎ অসিনা ভারত সরকারনা মণিপুরগীদমক লুমা লৌই হায়বদু তাক্লে। মহাকা হায়- মণিপুরগী মীয়ামা অৱাবা কয়া থেংনখ্রে, অদুবু হৌজিক মীয়ামগী খাঙবা কনবা, থৌনা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদুনা ঙসিদি লমদম অসিদা তপা তপা তংদু লৈতাবগী ফিভম হঞ্জিল্লকপা ঙমলে। মণিপুরগী মীয়ামা গনতন্ত্রবু থাজবা অমদি ইংনা চিকা লৈবা পামজবনা ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকপা ঙম্বনি। মীয়ামগী অপাম্বসু পুন্না

লৈমিন্নবা হায়বসিনি। রাজ্যপালনা মখা তানা হায়- হৌখিবা চহি ৮ অসিদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা মণিপুরগা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎখ্রে। রাজ্য অসিদা হান্নগুম তংদু লৈতাবা ফিভমদা হঞ্জিল্লকবগীদমক সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা পাঙথোকপা রাষ্ট্রপতিবু ওকপগী থৌরম অদুদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা নাৎকী-জগোই ঈশৈ কয়াসু উৎখি। তুংদা, রাস্ত্রপতিনা ইম্ফালগী লোক ভবনদা আই.দি.পিশিংগা উন্নখি।

মদুগী মমাংদা, রাষ্ট্রপতি শ্রীমতি মুরমুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা হেক থুংলবদা রাজ্যগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা হরাউ তয়ামা ওকখি। তুংদা ইম্ফালগী লোক ভবনদা চত্তুনা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লাগা উন্নখি। তুংদা রাস্ত্রপতিনা ঐতিহাসিক ওইরবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈগী ইগজিবিসন মেটচশিং য়েংখি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি মণিপুরদা থুংলখিবা রাষ্ট্রপতিনা হয়েং ইম্ফালগী নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদবা ৮৬ শুবা নুপী লাল থৌরম শরুক য়াগনি। তুংদা রাষ্ট্রপতি সেনাপতিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি।

রাস্ত্রপতিগী মনিপুরগী খোঙচৎকী মাংওইননা ঙরাংদগী হৌনা ইম্ফালগী অকোইবদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন লৌখৎলি। মরুওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইরিবা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী অকোইবদা হৌজিক মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ঙাক শেল্লি।

অমরোমদা, রাষ্ট্রপতিগী মণিপ্র খোঙচৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লালহৌলুপশিংনা কৌখিবা জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সি অকায়বা পীরি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তম্পাক্কী মরুওইবা কৈথেলশিং ফমখিদে, দুকানশিং থোঙ লোন্নখি। মহৈরোইশিং স্কুল-কলেজ কান্নখিদে, লম্দা গাড়ি চৎপগী চাং নেমখি।

নুপীলাল (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং ৮৬ শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। মপং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা নুপীলাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি। পালন থৌরম অসি রাজ্যগী হোম বিভাগনা শিন্দুনা হয়েং ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজদসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেতরি- ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

নুপীলাল নিংশিং নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- নুমিৎ অসি মণিপুরগী থৌনা ফরবা অমদি মরৈবাক নীংবা নুপীশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা নুমিৎনি। ইং ১৯০৪ অমদি ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীশিংগী ইহৌ অসি রাজ্য অসিগী ইতিহাসতা মুৎপা নাইররোইদবা মরুওইবা ইহৌ অমনি। মতম অদুদা চংশিনখিবা নুপীশিংগী খোঙজং অদুনা অমত্তা ওইনা অচুম্বগীদমক লান্থেংনবা ঙম্মী হায়বা অসি উৎখি। মখোয়না মতম অদুদা ৱাখিবা অদু থৌনা ফনা চোংথোরক্তুনা লান্থেংনখিবা অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা থৌনা হাপ্লি। মতম অদুদা লান্থেংনখিবী নুপীশিং অদুগী থৌনা লিংজেল অদু নিংশিংদুনা ঙসিগী মীরোলনা লমদম অসি ইং তপ্পা, তংদু লৈতাবা অমদি মরা চেৎপা ওইহল্লশি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী নুপীশিংনা অচুম্বগীদমক থৌনা ফনা চোংথোকখিবা অদু মণিপুর মীয়ামদা নৌহৌননা নিংশিংহল্লে। মতমদগী নুপীশিংগী ইহৌ অদু ইচম চম্বা ইহৌ অমা নত্তে। মদু মণিপুরগী রাজনীতিবু মীকপ থোকহনবা ইহৌ অমনি। মখোয়গী হনবা লৈতবা থৌনা অদুনা মণিপুরগী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল মালেম পুম্বদা শক তাক্লি।

ওরেঞ্জ (এল)ঃ চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা রাজ্য থাক্কী ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল হন্দক চহিগী ওইনসু পাঙথোকবগীদমক শেম শাবা পুমমক লোইরে

হায়না তমেংলোংগী এ.দি.সিনা ফোংদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি তমেংলোং মিনি সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী এ.দি.সি-এ.দি.এম চুংলেনমাং কিপগেননা হায়- ফেষ্টিভেল অসিগী মরুওইবা থৌরম ওইরিবা কোমলা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা চাংদমবা অমদি ওরেঞ্জ ক্বিন কনে টষ্টকীদমক মীয়ামা এপ্লিকেসন থাজিন্নরক্লি। হৌজিক ফাওবদা চাংদমবা অসিগী ওইনা পুন্না এপ্লিকেসন ৩৯৭ থাজিল্লক্লে। মসিগী মনুংদা দিষ্টিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না কোমলা পুথোকপা লৌমী ৩০০ খনগৎতুনা কম্পিতিসন অসিদা শরুক য়াগনি।

মহাকা হায়- ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা কোমলা থাবগী অমদি খোই য়োকপগী মতাংদা সেমিনার কয়া পাঙথোক্কনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা নাৎকী শান্ন-খোৎনবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৭ তগী হৌগদবা ১৮ শুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল অসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোক্কনি।

রোদ (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেমজিনবগী থবক মখা চংখবীনবা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- কিলোমিতর ১০৩ শাংবা ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেমজিনবগী থবক অসি মখা চংখবীনবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স তমেংলোং (সি.এস.ও.টি)না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ১,১১৪ গী লোনগী শেনফমগী মতেংনা ইং ২০১৬ তগী পায়খৎপা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবা লম্বী অসি শেমজিনবগী থবক থিন্থদুনা লৈরি। মসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

এৱার্দ (এল)ঃ অহুমসুবা কল্যান বরুৱা এৱার্দ ২০২৫ ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা কন্সটিট্যুসন ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোখ্রে। মনা অদু সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস উজাল ভুয়ান্না লান্থোকখি।

এৱার্দ ফংলবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা এস.কে. টি.ভি নিউজগী চীফ রিপোর্টর ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ য়াওরি। চহি অসিগী ওইনা মনা অসি পীনবা মীওই অহুম খনগৎপদা ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দনা ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়া কেটগোরিদা য়াওরকপনি। মহাক অকাশবানি ইম্ফালগী নিউজ সেক্সনদা দেক্স এদিটরসু ওইরি।

আশা (এল)ঃ  দিষ্টিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা চহি অসিগী আশা কনভেন্সন জিলা থাক্তা ঙসি থৌবাল ৱাংম তাবদা লৈবা সি.এম.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হননা কামৈনা হায়- হকশেলগী লম অসিদা আশা ৱার্করশিংনা লৌরিবা থৌদাং শিংথানিঙাইনি। মখোয় য়াওদ্রবদি অনা লায়েংগী লমদা অৱাবা কয়া মায়োকবা য়াই। মহাকা হায়- আশা ৱার্করশিংনা মখা তানা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নদুনা রাজ্য অসিগী হকশেলগী লমদা হেন্না অফবা ফিভমদা পুরকবা হোৎনবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী মনুংদা লৈরিবা অপুনবা আশা ৱার্কর ২৬৬ কী মনুংদা খনগৎলবা আশা ৱার্কর ১০ দা বেষ্ট আশাগী মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

লোক সভা ঃ  ভারতকা ওইনা পেত্রোলদা ইথানোল চাং চাদা ২০ য়ানশিন দুনা কার্বোনদাই ওক্সাইদ পুথোকপগী চাং মেত্রিক টন লাখ ৭৩৬ তা হন্থরে হায়না কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা ঙসি লোক সভাদা ফোংদোকখ্রে। মহাকা হায়- ইথানোল অসি অশং অমানদগী পুথোকপা পোৎশক অমা ওইবনা নংশিৎ মোৎশিনবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা লৌমীশিংগী শেনমিলোনদা চাউনা কান্নবা পীরি। মহাকা মখা তানা হায়- ভারতনা মপানদগী লুপা কোতি লাখ ২২ রোমগী ফোসিল ফ্যুএল চহি খুদিংগী পুশিল্লক্লি। মসিদা চাদিং তৌরিবা শেনফম অসি হন্থহন্দুনা চাওখৎপা ভারত অমা ওহহন্নবগী মাইকৈদা পুন্না চংশিনমিন্নবা তঙাইফদে।

রাজ্য সভা ঃজাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ মপুং ফারকপগী খন্ন-নৈনবা ঙসিসু রাজ্য সভাদা মখা তানা চখ্তরি। খন্ন-নৈনবা অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হৌদোকখিবনি। খন্ন-নৈনবা অদুগী লোইশিল্লকপদা হাউসকী লুচিংবা অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়- বন্দে মাতরম অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈবাক নীংবগী ঈথিল অদুবু নৌহৌননা হেনগৎহনবা অমদি লৈবাক্কী নাৎ চৎনবী কয়াবু অমত্তা ওইনা পুল্লিবা লংলা অমনি। শ্রী নদ্দানা হায়- জাতিগী ঈশৈ অসিনা লৈবাক অসিগী নীংতম ইহৌদা য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা থৌদাং লৌখিবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিনা ইহৌ অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই চা কয়াগী থৌনা পাঙ্গল ওইখি।

খন্ন-নৈনবা অদুগা মরী লৈননা বিরোধি সদস্যশিংনা থাংগৎলকখিবা ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী নদ্দানা হায়- জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী মতাংদা খন্ন-নৈনরকপা মতমদা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি জৱাহরলাল নেহরুগী মীংচৎ থিবা য়াবা থৌওংশিং চখ্তহন্নিংদে। সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী পুৱারীবু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি। মসিদা প্রধান মন্ত্রিগী মীংচৎ থিহন্নবগী ৱাখল্লোন য়াওদে।

য়ুনেস্কো ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি কিরতি বরধন সিংহনা দিৱালিবু য়ুনেস্কোগী ইন্তেঞ্জিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টতা য়াওরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা কেনিয়াগী শ্রীরাম টেম্পলদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াখ্রে। ভারতকী নাৎ অমদি চৎনবীগী খুদম অমা ওইনা ইং ১৯১৯ দা কেনিয়াদা শাখিবা রাম টেম্পল অসিনা ভারত অমসুং কেনিয়া অনিগী মরক্তা লৈনরিবা ইতিহাসিক ওইরবা মরী অদু মশক তাক্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা মালেমগী লৈবাকশিংনা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ভারতকী নাৎ চৎনবী অমসুং শান্তিগী খোঙচৎ অসিদা মপুং ফানা শৌগৎপগী মমি তারি। মসিমক সরকার অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়নসু শিংথাখি।

পনবা য়াবদি মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি কিরতি বরধন, দিসেম্বর ৮ দগী হৌদুনা কেনিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৭ শুবা য়ুনাইতেদ নেসন্স হনভাইরোনমেন্ট এসেমব্লিদা শরুক য়ারি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ  সিক্কিমগী রাংপোদা লৈবা এস.আই.সি.এ. গ্রাউন্দদা শান্নবা কুচ বিহার ত্রোফি প্লেট য়ুথ ফার্ষ্ট ক্লাসকী গ্রুপ মেটচ অমদা মনিপুরনা সিক্কিমবু রন ২৪০ থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ মরি শান্নবদা মরিমক থোইদুনা অহানবা মফমদা লৈরি।

ফুটবোল ঃ ৭৯ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর শন্তোস ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী গ্রুপ-দিগী শান্নগদবা মেটচশিংগী ফিকচর লাউথোক্লে। মণিপুরগী অহানবা মেটচ থা অসিগী ১৫ দা ত্রিপুরাগা আগরতালাদা লৈবা উমাকান্ট মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।  মণিপুরগী মথংগী মেটচ নাগালেন্দগা থা অসিগী ১৭ তা অমসুং অরোইবা মেটচনা মিজোরমগা থা অসিগী ১৯ দা ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা শান্নগনি।

ক্রিকেটঃ  ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকাগী অনিসুবা টি-ত্বেন্তি মেটচ নিউ চান্দিগরগী মুলানপুরদা লৈবা য়াদাবিন্দ্র সিংহ ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা শান্নবা হৌখ্রে। ভারতনা টোস ঙমদুনা সাউথ আফ্রিকাবু হান্না বেত্তিং তৌহনবদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা সাউথ আফ্রিকানা ওভর ৩ দা রন ২২ লৌরি।

------